খোইয়ম লাইবু, ওকনবা যাংলৌ লমতুপমাদা পানবা কৈবু ওকনবা মরম মখায় পুননামাবু অহুম পাউদমজরবদা শাপায় লোংকোননহনা কপ মনখৈএ। অহুম কপমননরবগা মতা অমনা চেঙপোৎ লুরোই শিল্লবগা খোয়নৌ চৎসে হমিং য়াংনা কারকলে, তরা চাপুক লামগদনে, য়াংদৌ লমদাং শীংলসে হায়না যাংলৌ লমদা, শীংলবদা মবান মোংবাযায়দা থুংলবে হায়রে। চেঙপোৎ লুরোই থারবগা অবা পোৎথাবে। খোয়নৌ মতাশিংদা য়াহমলকয়ে। ঐগী দমক য়াববী ইতাশা, নঙখোয়মসু, লোনযিম নঙথোয়গী নবান যায়দা হলরাইখিবো হাযববদা হোযদা চঙলসে, ইতা নঙসু, থীললহনো, খৎপুন মতাই পিমননাসে ইতা-ও। হায় লমলবগা মবান মখোযসু ওনাদখিবে। পলেম মমানা হাওসি নঙবু তবা পোৎথাবগুনো, হৌজিক চানা চেঙবু লৈতে, লোইমোম কুবাল হুও হাযববদা হোযদা ইমাও। তবা চেঙ মচংবু লৈএ হায়না পাউথুমলববু হাওসি নঙবু লিযাই চাউএ হায়ববদা অরা পোথাববদা শূকালন থাঙতপ পাযনা লোইমোম কুবাল হু, যাংবোক খপচোই লোববদা মমা ফংতবানা হাওসি অসিবু হবাউ কুম্মৈ শাননবা যাও হললোই অসি নিঙদনা হাযবকএ। হাওসি নঙদো তবা চাথোংও হায়ববদা হাওসিনা খুমলকএ। ইমা ও, এবু হবাউ কুমৈ শাম্নবা যাওগুনো হাযবরা অসি খুমজেএ। হাওসি নঙদো তবা চারবগা মচৎও হায়না পাউমেললকলবদা হাওসি নামোইন্নুনা শোননা শোননা চকু তিলাং শৌবিঙদা হা ইপলও। শংলৌ য়েনশাং করম্ববু থোংও হাযবনো হাযনা পাউহংববু নঙদি শংলৌ য়েনশক খঙদবরা? নোইন্নু খুমথাক হাঙএ, লেমলৈ ঙাথাক তামএ। শংলৌ চমনা হুংও। য়েনলাং চমনা শিও হাযববদা হাওশিনা, য়েনলাং করম্ববু হেক্কনা থোংসিবনো কোযনা কোযনা যেংবু শংলৌ য়েনথুমাং মঘোল নৌনা শৌববু উরবদা অসিহুম হাঙগদনে হায়না হেকলবগা শংলৌ চমনা হুং,

য়েনলাং চমনা শিরবগা তরা থিরবদা পলেম লাউও তরা ঙ্গিবা লোইরে। খুৎপুন মতাইমাবু পিমননরসে হায়রবদা মমা চঙ্কলকলে। শংলৌ য়েনশক য়েং, হাওসি করি য়েনশাংনো হংলেএ। হোয়দা ইমা ও। শংলৌ য়েনখুংমাংনে অসি হায়রবদা হাওসি নঙবু মৎতয়া, নমা শিখিবীনা চাবরা? থুমথাক ঙাথাকনা থোংবমকপু হাউতে হায়বা য়েনশাংনে। ঐগী থুম ঙা করি য়াৎএ হায়বগী নঙগুম্বনা ঐবু কল্লক-থোকনৈএ হায়না লাংলেন মতাং থাবৈনা লুরাই কোয়রেনথককতা চয়পীরে। আযু ইমা ইবেমমা হায়না হাইহৎ লয়কাই তুখিরে। তিনথোক য়াংদৌ চোংগুমনা লয়মায়থকতা ওললে। ইমু কাকেননা ঈঙাং পাকতরুরে। লুবাই চৈথৈকমদো পাযমা নিংশা কাওরবী লয়াই কৌ পুরুবগী অয়া লাননং মৈনে, তরা চাদবগী হকসাং মউ চোকপমে কৌবা য়েনলাই চাইগুমনা মনা পংলবী লয়তাঙ থরো খোকমুমনা মথোক লোয়রবী শাবী শানৌ তম্বনিগীনা ঈঙৌ থকতা ওনবা ঈমুথকতা তোংপানা মদোম উত্তুপ তাগুম লৈববু কনা খুনথৎপিনবা লৈতে। হাওসি লাইবকথীবীদো অসুম শিনা মদোম লৈখিসুনো।

অসাইঙৈগী খোযনৌ মতাবোয যামচেং মফেৎলোযশিংনা হায়নরকএ। হা ইতাশা। ইখোয়বু ইতা হাওসি নাম্নোইম্নদা চংলুসে। ইতাবু লাকতরে। মমা ফংতবীনা থৌখামলবনরিঙৈনে হায়না চৈরৈ অনৌ শেং মানলৌ অক ইননা অসুম লাকলববু মতা মুংশি মীওই মানন-দরীবীদি তরা চাকথোংফমদা য়াযয়া শাওইঙম কয়েল লালওইঙমলে। মতা অমনা ইতাশা খোযনৌদি মাগ্রলে। ইতাদি হা ইতাও। নঙদি ইখোয়বু হুললালমহুনা অথাপ চৌংবু কা অথা চৌংমৈ ভনখিম্বরবদা তাইবংপানবু হুললানখি। পুংমায়োনবু নমমুকনথিরে ইতাদি হায়না য়াবা খোনজেল চাউনা কপ্পা কপ্পা ঈমু কিরাক শাববু লাইজা য়িশোকল্লুরগা চৈরৈ শীংনফি মতাশিংনা শাবিবা কামিক শিঙতোংফিবু

হোংবিরবগা ফকলোং চবাহুথবতা চৈরৈ থারবগা মতাব্ অস্তুম যাহিপহুলবব্ ম্রাইবী ইনিনমক্তি তেমদরি। নিংশা শংহালননা উনবী পূকনিং শিংলবলে। চেংলৌ মম্রিং পাওলকূলবদা মতা চাম্ন-থূংপায় অচেংগী পিথাং শিননা লানকোনবীশি়না পাউমেম্লকএ। খোয়নৌ নওবু লাত্তবে। থূংপুন মতাইমাবু পিমানন্দাগে হাযবগী নওবু কৌবা লাকপদি ইম্নু ফিরাক শাবমলে। মতৌ করিন্দগীনো অস্তুম পাউহংববু হাওসিনা মতাশিংবু উববগা পিাবন চাইজি মবাও হৌনা মতাশিংবু চিংনা যেংহুনা হাযজববকএ। হা ইতাশা, নওখোযবু ইতা নত্তবে, পশেমপিবু শকনা লানাকোনবিববে ইমানে। ঐবু তাওজা ইবৈতোনবু খংচফদে। চিনবাল মোইকাইমাবু নোওজফদে। লুবাই কোযবেনথকতা লাংলেন বোওয়াং মতা় খাবৈনা চয়পিএ। অন্নাং কোবৌ মোংমিদাগীমথৈ লবাই ফৌ পুকবা লোনযিম নাকতা যৌরবগা তৌজববপা মরম মথায় পুম্নমাবু পাউদন মতোল লোমলে। তাসিবু অমত্তদি হাযজগে। ঐগী দমকপু হৌজ মপৈ মপৈ ম্নারবা ইতাশা, নখোযগী লমন মপৈবু এনা শি়বা ওমলবোইএ। ইতা নখোযাদা অফ তান্যংজববকও হাবিথনো শিওলুপ লৈকাই খুনগও হানবিযো হাযরবদা হোয়দা ইতা ও ইখোয়না তাকলুগদানে হায়না মীয়াম সভা মাওদা তাকলুবে। অহল ওইবা ইখোয চংসে হায়না নমু মীয়াম চওলফলে। নান্না মপাউ তারে। চৈফম যেংবদা লুরেন-তোনবু যৈযাংলে, পাযমা নিংশা ফাওবে। কোংপান ঈবীক শৌএ। হে অত্তাং পাইম্মুইএ শিগনো। মমা নওগী যাথং তাগে, চুমনা থমও হায়ববদা মাগী রান্নম লানবনা খুমনওাই লৈতে। হা ইপা ইপলশা। ঐবু অশাউবনা খুমনওাই লৈতরে। খওলে থওলে নাহাসা। মওক কও থাংও। মথূং তুংপুননারো, মীহাংপীনে। অমিদি থেওলে। হম্লেং নিংথৌদা কংসে। মিংশেং থাওও হাম্বরম্নগা খুনগচাবু তাবা

সভা মীয়ামলক্তা তম্নবে হায়দববা? নমু মীযাম পূমনামক্কং চৈরে যিশীংনবগী হুংঙাই মবাং কায়না কোরৌ হুমিং চূপনা শাম্নখিস্নুনো।

হাওসি নামোইন্নবু মতাশিংনা হা ইতা ইবেম্মা নঙগীদমকপু তরা লূবক্কম পুন্নকএ। পানগল চযসৌ ওইনবা তরা চাকযিনগে, খূপুন মতাইমাবু হুকমননসে হাযববদা ইতাখোয় ঐবু তরা চানিঙদবে। তাইবং নমু পোংওই ঙমলবোই। ইতাশা, নঙথায়দা পুনশি চাবী বুই বাংঙম খোংদান শাংনা চাবাক কাদং শীন নাউদা খোৎফাং লেংনা পুনশি মতোলালাম কৌবা লীহৈ চূমগুমববু যোন্দনা তানফংজবকও। এদি কোবৌ হানাৎথৌনা লাম্তাবা ব্রাৎবা ইকাশানা অতুনা তানা পলেম ইমা পোক্মাবী মালেম লযনা লূমববা হাযববু ঐবু পোকপা ইমানা লূমথোইএ। লোইদাম থাবুম তবা হুমিং শিঙনুম ৩০০ নি নাউপুবিবা অওল ওললাৎ শাউ, যাহিপ অতূম নাইদা চাকচা পূকথন খঙদনা থৌজু নুংমোন অমেঙবা মালেম চীৎলৈবাকপু তবা চাওইননা নাউপুবিবা ইমাবু লমদম কদাযবম হৌখিববনো। উদ নোংশাং বুইখিবে। কোবৌ নোৎনা ব্রাংযিগুম ঐবু শাংপা ইপানা বাংথোইএ পনথৌ লাইজা ইহুনবা হয়বাঙ ইচা যাননা তাউজিৎ ইরু পনবিবা ইপাবু পুন্নুং লেপখঙদা পলেম যক্তবী যাওরৌ তুপানশাংম খুযা তুমজঙ সৌগমবী নচা চান্দা মীবাইবী নঙনা ঐবু যেৎযিবা লাফোই ওমপোং ওইহুনা পূমনা যোংকে থৌবাৎএ। ইৎখোল হান্না ওইহুনা ইবী শীগে নোংদমএ। শিঙনো পোংশম্বা নাম্ননো থৌরাঙএ। পলেম নপূক পেললব্রা? মু শি ঈপাক অসিবু শিপোং মতা লাম ইনলেন শিফা উপকুমববু য়োন্দনা লাননংও হাযববগা হা খোয়নৌ ইতাশা, চৈবৈ নখোযনা শেংপিবা অসিনা ইতু ইমান ওইনবগে। থাঙবা ইনমথাঙনা ইশা শাগল ওইনা হকশাং পূমনা লোয়নগে। সেনলোয় হুইচাবিক হুইনিৎনাং নিংনাং ম্যাংত্রিকপু ওইনা শানওললগে। ঐবু

অমন শিংদা চনগনো। হাওসি খুদোপ মললাইবী হাউমন লাংনা কেমলাইবী শিবা লৈথুংদা অশি লৈখাইদবীনে। ন্নুংবাল ইপা লাই লুবাং ইপু লাইও, ননাই যাইথিবীনে, ঐনা নিঙবা থুংবীও হাযনা পুকমজখিএ। ন্নুংবাল মপালাই লাই লৈবা খৈবিকনা ন্নুংশি পূকনিং চঙবিবে। শয়েঙ পুমদানা তানা মথোঙ মশা পানবিবে। হাওসি শিংদা লৌহনা হুইচাবিকপু ওনখিবে। হুইনিংনাংবু ওইখিবে। ওস্থাকএ নোংদম্বা। ইঙা কুমগা তম ইঙেল কুমগা খাযকবগে হননা য়েংনা তাযবকএ। মতাশিংদা তৌইগুম ইপন পনথৌ নিংথৌশাংমাববু ঙাই-খমখিগে হাযনা যিমজিল শাইচুমন্নুংদা শঙনা শানথুপখিস্নুনো।

অসাইগী খোযনৌ মতাশিংদি মতানা তৌখিবা থৌবমদো খোমলেন মঙলানচানগুমনা ঙকনা উবৌএ হাযদব্রা? হা খোযনৌ হাওসি নামোইন্নু ন্নুবাবাও, অসি কোবৌ ন্নুমিং মাগী মখৈ কোলোয ভোবলে তিনবালখমলে। হা লৌশিকাম চন্নু পাযমা লিনচেল ফৎতবী নপোক নপোক খুদিংন্নু নপাবী শাংকুনো নমোম ফুযহনো হাযবন্নবগা মবান মখোযন্নু ওনদেখিব।

অসাই পনথৌ মপা সেনবী লোইথৌবন্নুং ফবো লোইকেলকলে। কেগে মোইবাংনিংথৌ যিমথু পোংলেনহনবদা কবো লোইপোৎকললবগা মবান মোংবাযাযদা ব্রাইথুংলবে হাযএ। ইমোমদি কদাযদা হংলৈএ। শঙাদ, ইমোমবু থাংঙা হেপখিবব্রা হাযনা পাউখুমএ। ইচাবু পাউকৌও। খোমলে ঐগী মঙলানচাবু ন্নুংঙাইতে। পোনবী ঐগী তেনোই লোইজববু পোনবী লাপনা পাইখিববু চেন্না হনজিললকতনা খোমলেন মীকপ থোকলকএ হাযনা লীঙৈদা থাংঙা মরৈকোক মরৈকাইগী ন্নুপী নিপা থাকতনা খুনকংচাপু তরা অসাই খোযনৌ মতাবোই পুমনামান্নুং মপা লাকএ হাযন্নুনা নমু মীযাম তিল্লরে হায়এ। অন্নুম তিললবগা হৌজিকতি মপা নঙন্নুং লাকএ। লহান ইখোযনা হংনঙমবদা মচানা ব্রা মমানা থুমবা ব্রাবু ব্রাবম মবম মথায় পুমনামাবু পাউ-

দমলবদা মশাৱীনা হায়রকএ। ইশানৌ লৌসিকাম চম্থু লৈরাং অতোনবীও, নঙদো ইমোমৱ্ নাউযোকমননাসে হোইখিকবদি ইচা হাংও হায়ৱা ওইরে। হৌজিকতি হায়বিবা ৱারম অসিবু তৌএ তৌদে খুমও হাযরবদা হোয়দা শাবি ইবুংঙ্ও, ঐবু অন্নম থোকও হায়রবোইএ। ইচাবু শিওনো হায়বদি করি তৌরুগবনো। কিন্নো হাযবগী তৌবদা খোকলরে হায়না পাউখ্মলবদা খঙলে নমু মীহাৎপীনে। থ্নগং লৈকাই নখোয়না হল্লেং চারাপতা পুখৎপিও হায়রবগা মমোমগী দমক পুবকপা কোনলোয় পাখুতোপ খুদোপ চারা য়ানবা সলা নাশি চোমমায নিঙথিবা খেরুক খেপানখোং নানতৈবা তরোং চাতৈবা শিঙচুম হংনাইবা শামন পোনচেং হাললকপা পুমনামাবু পুথোকলে। হা ইমোম ইবেমমা, হাওসি নঙবু থাংঙা হেপখিত্রা? লৈকাই পোইথিত্রা? ইপনবু শেনবী লোইথোবা কবো লোইকেনববু ইবান ওনদেরকলে। ইপলনা ইমোম নদোম পোকপীনে। ইপলগী কৈবা ইতানপক্তা ফমজুনা ইমোম নঙনা পাম্বা খললবো। হাওসি নঙবু লাকও। থাংঙা হেপখিবরা ইপলনা কৌবা তাদরে। খোযনৌলকপু লেংতিনখিবরা? হা ইমোম পেমাশা-ও। নত্তাবু য়াওখিবরা হাযনা পিরেন চাইজি মরাঙ হৌনা নত্তাবু য়াওবরা হাযনা কপমা কপনা চঙখিববু হাওসি য়াওবমদে। ইমোম ইবেমমাশা ও। নতাদি কদায়রাইদা হৌখিরবনো। ইপলদি য়াংলৈ কওঙাউ হুইগুমলকএ হায়না হাইহৎ লৈকাযতুনা থিরো কাংদম ওললে। গুরু বৈষ্ণব সাধু জন নখোয় ঐখোয়সুং নপারী শাংগা নঙমোম পোকপা মশেলরিগীদা ঐগী ঐগীদা পুন্সিজলুবগা হুংশি তাবদা কপলোই হাযবা ওমদে। মূপী নিপা কনা খাকতনা নমু মীয়াম পুমনা মাদো মপাগী মতৌ য়েংনা ঈরাউ- খোনগুম চয়রোয়ননা কপ্পরে। অসুম কপমমবিতৈদা হাওসি নামোইস্থু শারওল অমা ওনখিরবীনা মপাল পনথৌ শাংমাবথ্ ওাঁইখমজবী অহুমা

যিমচিল সাইচুমন্নুংদগী পাইচিললকলে। নমু মীয়ামশক থাবী মানলৈ-থকতা তাববগা মপলবু চিংনা য়েংহনা পুকমজৈএ। অত্তুগা খোযনৌ মতাশিংবুন্থ চিংনা য়েংএ। মতাশিংনা খঙলহনা মপলদা তাবলে। হা পনথৌ ইপা ও, অসিবু নচানে। খোযনৌ ইতানে হায়না পাউ-তাকলবদা হা ইমোম ইবেমমা, ইপাবু শেনবী লোইথোবা কবো লোইচেনববু লাকএ। ইপলনা ইমোম নঙগীদমকপু কাব্রং ফিঙাং নিঙখিবা খেকক খেপানথো, নানতৈবা তবোং চাতৈবা শিঙহুম হংনাইবা শেনবী চাকসামন কবো তোংশামন কোনলোয় পাখুতোপ থুদাপ চান্না য়ানবা পূমনামাবু ইমোম নঙগীদমক পুবকএ। ইপলগী ফৈবা ইতানপকতা যমহনা যেংজববো হায়না চাইজি ঈচেনথনা পাউকৈজববু মমোম লাইবক থীবী চাবা শেংপা থুংদা ন্নুংঙাই পনদোল লোমদনা পীক্কা লাংওল ওইখিববীদো লাইজা ন্নাংমা লানখিববনিগীনা নমু পোংলোন থোক্তরে। অস্থুম্না ভঙাং নান্না অপিশাংমে নমু মীবাল শম্নদববদা ন্নুংবাল মপালাই লুবাং মপুলাই লুবাং পোকপা অরিবা লাংযেন শলাই তরেংমাদা য়াওখিবা শাগৈ শলাই তরেং মাগী গুরু তবেংমাগী গুরু কোলোয় মনিংথোংবু অপকআ কৌনা মীওইবনা মপাবী শাংতবা মমোম ফুযদরবদা গুরু ৭ মাদা খুকমজববগা মপাবীবু শাংহনবা মমোম যুযহনববু ঙমলিবা গুরু মীওইবগী শিগদনে শিবোই নোংদমলিবা গুরু নিপালমানা হাযনৈএ।

খোইয়ম ইঙাইবোযশিংও, হাওসি মপা মচা অসিবু নমু মীবোল তিন্নদরবনিগীনা মপানা কপনা হাযববু মচানা থঙবা নত্তবে। অসি-নিগীনা যুথক পুংজা মরমদবু পোনবী চোংঙা লোনদম চেকনা তেননোই লোনথোকলকপগুম নমু মীবোল থোকনা পনথৌ মপা মচাদো চিন্নলেন নিঙথিবা য়াথং ন্নুংনেবা ন্নুংশি মৈচাক থাইনা ন্না তাইবংপাংনবু হুললান ন্না পুংমায়োনবু নমমুক ন্না খোযনৌ মতাশিংবু থাইনা ন্না মমা

মতোন মচ মনেম মবেলজ্ঞাইবীশিংবু শেৎনরাবু ফুংগন খোয়বু কায় হ্নংশি পনদোল লোমনা ঙাঙনহ্ননো। অসি হায়নববগা লাইনা পাযমা মপূকহ্নুংদা চঙনা নমু মীবোল শং শং থোকললএ হায়যে। মপলনা হন্না হন্না হংএ। অহুম পাউমেঞ্জববু মমোম হাওসি নামোইহুনা পাউথুমলকএ। হোযদা ইপলগ, অসাইদি নমু মীবোল খঙলমদে। ইপা ইবুংঙো। হযবাঙ ইচা য়াননা তাউজিং ইক পনবিবা হাওমন খোমশিলেগুম ইতোন নৌনা শিগবীবা ইপা নঙনা হ্নমিৎ চয়ায়নবা ঐবু পোকপা ইমা হ্নুনিৎ শিংবুম ৩০০ নি লোইদাম থাবুম ১০ নি মাউপুহুনা পোকপীবা ইমানা থবা লাম্নংবা কবহুদা থোরুবা, অহুনতানা কোরী ইনোংথৌনা লানতাবা রাংবা ইকাশানা খোঙাহৌরাগীবা পালেম পিখাযলেনগীবু বাইথুংলবরা? ঐবু কোবৌ ইনোংথৌনহুং নান্দাদে। রাংবা ইকাশানহ্নং খোঙাহৌদে। পালেম পোকতবীনা য়োকপা ইমা যৎতবানা লানকোনবা শূবা মশী থাবিদে। চাংদা বাদনা শীচনও মচলএ, পাত্তা কূমদনা লোংখোলও মখালএ। লোকাক মাবু রাংহনদে, লৈকাই মাবু পোইহনাদ। লৈকাই চৈবৈ ফিশীনৈএ। ইমা নকুমপানগীনে যাওজগে হায়জৈএ। য়াওযরোই হাযদনা শাবিদে। যাবা নবম্নাইনা শাজৌও হায়এ। পলেম কবি বাবু হায়বানা, ঐবু য়াবা ইবম্নাইবু শূববা অসি খুমজবু হাওসি নঙগুম্বনা নচিল থিনা খুমএ হাযদনা তাঙজা ইশন লাকনা চিংথুববগা খোঙপাক চেন-কাওনৈএ, লরাই কৌক লানৈএ। হরাউ কাকাপপহ্ন য়াওহন্দে তরা চাকথোংও শংলৌ চমনা ফুৎও হাযবগী শংলৌ য়েনথুমানা যেনলা চমনা ফুৎলবগা পলেমও তরা চাসে হায়রবদা চঙলকএ। যেনলা মশক য়েংলবগা নমা শিখিবনা চাবরা হায়না লাংলেন কোঙযা মতা খাবৈনা লুরাই বোয়বেনথক্তা চযপিবে। হাইহৎ লযফাই তুনা ই থকতা ওননা থরায লানগে তৌঙমলবদা খোয়লৌ ইতাশিংনা লাকতঃ

লাইকনবিবৈএ। অসিগীনা তাইথংপান্দা লৈহুনা মালং কানা লৈরোইএ। ইনূ্সিবু হৌজ মপৈ য়ামচিললক্সএ। অতুগীসা হুইচারিক হুইনিংনাং ফিংনাং যাংশরিক অপিশাবু ওইনা শানওললগে। ইন্তা কুমগা তম হাওল কুমগা থাযবগে হাযবগী শামু ইহকশাংবু শযং পূমদা তানা খোযনৌ ইতাশিংনা পিনবা কানিক শিঙতোং ফি অসিনা ইতু ওইনা ইনাশিংনা পিনবা খাঙবা ইনমথাং অসিনা ইশা ওইন্দবে। নমোম এবু অমন খোঙবাই কুমনা থরাই মিবাপান অতিংঙানা ওইথিবা নংগত, শমু হকশাং পূমনামাবু পুনা শানওনবানে, অসিগীনা অমন শীংদা চনগনো। পনথৌ ইপা ইবুংঙ্‌ও, নঙনা নমোম এগীদমক পুবকপা অসিস্তু অবেঙ্গনে, নমোম এহুং অরেম্বীনে। অসিগীনা হাওসি খূদাপ মললাইবী হাউমন লান্না কেমল্যাইবী শিবা লৈথুংদা অশি লৈখায ওল্লবানে। ইপা মঙনা মামাম এবূ পোকচমনগী মহৈবূ কদাযনো হাযনা পূকনিং য়াবৌবিগুনো, পালম ইমা কত্তবী খুনগং লৈকাই অসিদা পোকতবানে হাযবগী চান্দা মীবাম খঙহনবা যাওরো তুপান শাগম্বী নমু মী হিংচাবীও নঙনে এবূ শাংপা ইপাগা কেগে মীবা অহুম্বা মোইবাং মীথো আচৌববূ পুমমনদনা অন্নম পালন্লোবো। খোযম্নৌ এগী ইতারোই যামচ্ ইযেংলায হযরাং শুংদাইনা লৈববূ ফকতনা চামিননবী এগীদমক হৌজ হৌজ বাববী মংখোযদুং থাঙবোককুম মতাংশাংনা লিলাংবৈ মযাঙ শিংনা পুমশি চারী কুই য়াংঙব খোঙদান শানা চাপাক কাদং শিন নাউদা খোংফাং লেংনা পানববূ ষোন্দনা তানফ্জবৌবো। পালম ইমা ইমাস্তোনঙাই ইচেম ইপাবঙাই ইপা ইপলঙাই ইকু ইতৈঙাই পূমনামা নঙাখায়সু তবা চিন্জাক তাহাউচা চৈবৈ অফশেংনা হুংঙাই মবাং কাযনা পাললোবো। নমোম এদি কেগে মোইবাং নিংথৌ যিমথ্ পোংলেমহনবগী নোংঙান চংথৈ যাকৈননা শংগাই কোনলোই মুংলাংচানদা নোংদম নোংখাইকববগে। পনথৌ

ইপা অপোকপা সভা মীয়াম ফমলিবা নখোয়াদুং লৈরোরো, নখোয়দুং হায়না ভাগুজা মরু লুকনা পুরুমলমএ। অদুম পুকমলবগা কোরৌ নোংলেন পায়না কেগে মোইবাং নিংথৌ যিমথ্ পোংলেন হনবগী কোনলোয় শঙ্গাহমুংদা নিংনিং খোনজেল খোকনা বাম্বরে নোংদম য়েনংমা নোংঙান চীংখাঙ যাকৈরুরে হায়দবরা?

যিমথু পোংলেন হনবদি য়িমথু মনিন নাই যিমলেন মরাঙ হৌনা মুংঙাই মবাং কায়না অসুম পাললৌরমুনো। তয়ম লোইরেম ইরাকমানা কিরি চিংনা থীবা লিলা হৈসেন নাইবা ঐনা মুংবাল হাওসি নামোইমুগী পরেং লমদাং ইজরকপা অসিবু আদিরস মশক লৌনা ইবা নংতবগী ওজা পণ্ডিত অহৈবশিংনা রারী ঈশৈ তৌরম্বু পোংপাউ রারী লমদাংবু নাদা তানা ইজরকপা অসিবু রাহৈ পরেং চাদে আকাব একার রাংএ, মযেক অক্রম অযাং খাযদে হায়না রারৌবিহনো। তয়ম লোইবেম ইরাকমাসুং ইমায় নোংনেম লযনা পাং থোঙলেন ইনান কোবা চীংপুনসি কোবা থোনলাংমৈ কৌনু চীংমাতোন চীংলেন নাপোমমাদা নোংথৈগ্রে মউ লিং, নাপোম মাদা চীংলাই তমলাই হাদোকপা নাপোম মাদা শাযু লৈরাং শাথিবী তোকমু মৈশাংবা হংকোক নারিল পোকপা চীংলেন মতোলতোন অবাংবদা খোইয়ম সবারেন অরিবগী চীংঙু মকাইফমবু ওইনবদা মুংবাল লৌসিকাম চন্নু খোয়নৌ মতারূপ তরুকমানা কোরৌ নোঙ্গাখিতৈগী হাওকু পাখং মশাবীগা কোরৌ নোঙ্গাখিএ হাযবগী লৌসিকাম চন্নু মতাবোইনা য়াংলৌ লমম-খাঙমাদা মমোমবু ফুযনরবগী রারী লমদাংবু ইজরকপনে। তয়েন ইরাকমাবু হাওসি মাগী মপাউবু হয়া লাউনা কোনচিললমগে হয়ি-হয়ি হে হয়িও॥

রাহৈগী অর্থ

লা ° ১

ক্তমবু নাবেংশুবী— লাইবিক লৈমা (সবস্বতী), কোাবী অবাংববু তাইখৎপী—নাপল ময়াই কাববু যৈথবী, নবান ফমবোইননা—তোম্ল-তাববশিংবুনা চিংখৎপীবী, লেঙদবা লৈফম ওইহুনা লৈবী, তাঙজা তেংখল ওইবিবী—তাইব, মীওইবশিংগী লৈতোন্দা তোংবী, থৌজাল তাইহেন নাইদনা—অচৌ অপিক খাযদনা থৌজানবীবিবী, মূকমু তেংখলথকতা থৌজাল লাইজ লিকলামানা—তুম্নবা মুক যাওবা কলমগী মচিন্দা তোংবিহুনা।

লা ০ ২

মুকমৈ নাবিল শোনজবকপা—লাইবিক মযেক ওইনা ইজবকপা, তযম পূকনিং ইবৈচল—পূক্লি লৈতাদবা ঙমদনা, পাযমা লমদাংবুল—লৌশিং পূক্লিং লম্বী মাঙনা, তাঙজা লনকুলৈ—শক-চু থোক্লবগী মশক ওইবা থোপকী মহী, উনবী পূকনিং চাজনলৈ—পূক্লি ফাজিনবা ঙম্বা শক্তিগী মশক ওইবা থোপকী মহী, যাবা লিনতাং শানবৈ পুথি লিকলেং ফাজিনলৈ—পুনসি মুংশাংনা কুইনা লৈনবা থোপকী মহী, রাকমা হেপলি খোনালোইলিব—শৈহেক শৈদা খোম্হোক্কা লোযনবা মবাবু, মুংবাল নাবা নিঙখিবী—লুবাং শাগৈদা পোকচবী নিঙখিবী, খিবলেন মাযযোকনা—মথাদা কোঞ্জবহুনা, থূকলু চযসৌনা বুকী চকলৈ মাযনিননা—ষণ শানা চৎপা ঙমজবক্লহুনা, হযা খোনথাং ঙমজবকলে—ইমা ইমা হাম্বনা কৌবগী খোঞ্জেল থোকপা ঙম্লক্লে।

লা ঃ ৩

শমলাং শাইতা নাইনা—মশম শাই ওইনা কল্লহুনা, পোনবী চোঙা লোনতম—মীবোল থোকপা চোংঙাংম্না, কুবু মীবাল থোকন্না

—রাহৈ রাঙাং মবোল শেংনা,ঙাংবা ঙম্নে, মতা খুনপোইতম্ খোযানৌ কাংকাপ তমনা—মমাম্নবীগী মযুমদা কোইথোক চথোকপা ঙম্নাক্ল, পুন্নুং চেকায় পকনা—লরাইদা হাফু অমুবা পক্লা, খাঙলা মনানা নোইম্নু থুমগা ওই—খাঙলা মনানা থুম ওইহনা, মতা অমা শাবিয়ে—লাইধি অমা শাবিরে, মানবী লীশা, থানা—থৌরী য়াওদনা ষণবু থাদোকপগুম পুমথা থাদোক্লুনা, য়োইমযাইনা থোকপদা থোকমম্নাযে—হুমিৎ থোক্লকপদা মাস্থু মথোকলকই, অঙানবনা চঙবদা চঙমনবৈএ—নুমিৎ তাশিল্লক্লগা মাস্থু মচঙলকই, পানবোম থমবৌ লেরাযোনওমএ—পাম্বোম তাবু য়েংবদা থম্বৌগুম ঙৌনা তবোপ তবোপ্না নিঙখিজে, খুবোম থা,থোংলমবু—খুবাম তারকপবু, নারা খুৎফাংলোই—অঙাংদা শিগদবা খুৎকী খজি, নাশি পানেনহৌ—নাদায়ানগদবা লৈ।

<u>লা : ৪</u>

নমথাং তোনপাবা—নমথা, মতোল য়োনা পাবা ইন্নফি রাৎচা ঙমখৈ নাইদনা— অরাৎপা লৈতনা, য়া,গাইজৈএ লৈজরকই, নেমবা শৌচিনলোন—শী,না,না কু,না হৌরবা, চাঁ,খম খমলেনবদগী—চাংগী লোকমায়না তমগা শন্নরবা মফমদা শজিক য়েনবৌ কাবনা—অনৌবা নাপী শীংবা শজিক্লা মনা আনৌবা চো,খৎলরবদা, তিংগোই পুমথোঙ লোন—তিংগোইনা মতা শা না শাংনা চৎপনা, মনু, হৈদনা ওইচিললকয়ে—যেন্নি, থাগী মতম য়োম্রিহৈদা য়েম্নি,থা মতম ওইবক্রে, হুপলেন খাঙতপ রাইনা—হুপ পাম্বীগী মযাইবাইদা তোংহনা চাক্তাবা, তলা উরৈশ,—উপালপুম্বা উরৈনা ইশং শ,না, কৌবোং পানপাই নীকলবী—চৈশূ শুহনা চৎলফাওবদা খোঙথাং চুমদনা মঙৈ নীঙ্কা লেল্লবী, য্,গা থীকপী নমঙানা—যুঙ্গা মৈহৌফমদা মোন খাঙনা মৈ তীকচবা পাম্নবী।

লা : ৫

কুমজা অনৌবা ফ৲লকলে—অনৌ চহী লাকদবচুবু ওইবক্লে, ইরোব অস্নুকপদা—ঈশিং চেনবা লোক অশুকপদা, কাংলেন থুত্তা শূনা—কাং শান্নবগী উবা কাং অত্তুবু থূত্তা পাযবত্নুনা, ফুবাক ছুমক্লং মানবা—কুরাক মশাগুম পা না ফজরবা, কোকলেম মুক্ষম ঙাননা—কোক্তা কোকশেং ওইনা নিঙথিনা যেৎলত্নুনা, চুপলেন নাবু ঙাননা—নাপ্পদা য়ান্নবা লৈনা নিঙথিবদগী হেন্না যজহল্লগা, মাযফং পবেং শানা—মাযোক অমত্তদা যে৲ত্নুনা পবে৲ ওইনা লেপ্লগা, লফু মেনত্রা ফৈতানবা—লফু নেম্ব্রাগী মও৲ মাল্লবা, পাখং যোমলোই হৌবশি৲স্নু—মথোক কাবক্লবা পাখ৲শি৲স্নু, সাপায লে৲কোননানা—খূৎকা খূৎকা শন্নুনা অমদি লেঙ্গোন্ননা ,তনবা নীপাকপ—নিপা ওইবগী কাঙলুপ।

লা ০ ৬

তবা চাশিঙনৌও—চাক শীংনত্নুনা চানৌ, জ্যা মীনোক খোলমাননানা হ্না—লাউনা নোকপা খোঙ্গলত্নু মান্ননা নোক্লত্নুনা, চেকফৈ কাঙলম চেকফৈ হুন্নবা থৌবা৲ শীন্নবে, নমথা পানগা তম্বস্নুং তম্বস্নুং—লমথা ঈন্দুনা কাপ্পা কা৲গী পান্দমস্নু, চুকাযনা জ্যা মীনোক থোনমাননা—ফাগী জোগাই তৌনবত্নুনা, নোংখাক চযবোম্ননানা—নোংনা খাকপা লাউবগী মন্তোগুম, শাকু বানলোং থন—চফু ইবাল পীক পীক থন্না, বানলেন নিঙগোয ঙৎনা—ইবাল মনিঙ ফ৲না খাবৈনা ঙৎলত্নুনা, বা৲লৈ থক৲—ব্রা৲লৈ শুংনবা থকং, লযকাই খুনদিল—লৈকাই খুনগী মীযাম তিনবদা থক্লবা যুবু, লাবোল ঙৈথিংযৈ—লা মবোল মবোল হাপ্পুনা ঙাইবো৲ শি৲কুপ শোইনা—শিং মকুপ ময়াম শোইরত্নুনা, স্নুঙাই পুংবু লেমনা—হরাউ তযাম্বগী স্নুংঙাইবগী য়াকাবুং ওইবত্নুনা।

লা ঃ ৭

যান্না শিনচঙদে—শূবা নোম্বদা পূক্লিং চঙাদ্রে, খূৎপুন মতাই পিমাননাববু—চামিন থকমিন্নববু, শাবী শানৌ লৈতে—ইবুং ইপ৷া লৈতে, পাহাঙ নোংচেং ওইনা মপা হাঙবা নাম্মতা ওইবা হাযবন্থ ওইবনা, পোইরৈ মীনৌ অব৷ম্বাবু পুনা—লৈবাক্কী থৌ অচৌবা পুন্থনা, মু৲ওল খোযবু কাযএ—পূক্লিং অসি মণ্ডল মণ্ডল থন্দুনা থমোয কাযবে, থগে নিঙহন্নরকএ—থকোকপদা হেঞ্জিল্লকলে চাখিবা পোৎপু থগোবকপনা (ইনখৎলকপনা) হেনজিল্লক্লে, খোঁখাঙলোসিবনো—থৌ পুবদা কবন্না খাঙহৌগবনো, হাওসি অপিশা অসিবু—পিক্লিবা হাওসি কৌবী অসিবু।

লা ঃ ৮

নক্কম ঐবু থবাই লাইকন ফিনা মকনফবিও—নতালোই ওইবী ঐগী যেংন্থনা ঙাকপি শেনবিযু, পিবেন থকমাদনা—অতৎপা লৈতনা শিন্থবকপা পিনা, চিনলেঙ নিঙথিবদি তেবাননাতা যাথ৲ মু৲ওনবদি চিনদিননাদনা—ন্নাহৈ খোনফম নিঙখিবনদি ঙাঙনদ্রন্থনা, হুমালেন যাইবী মকতূ পাযমা নি৲শা মথোঙ থিংনা—শিবমদাইগী অকনবা মুংশিংনা কন্না হুমগৎলকপা, খমলৈ কুমখিবে—শিধবে, ন্নাকযৈ লুনাইনা তোংচে৲ মৈনাইদবা—হিক হিনাউ যাওদবা হি, তোংচেং কুযাই চন্না—কূ মনূংদা হাপ্লগা, থা৲ঙি লৈবোনচন—লৈবাক্তা যুমন্থনা, যামচেং লৈকূপ শীনা—মথক্তা লৈকূপ লৈবাক শীবগা, পলেম পীকা খাইনববীও—অঙাং ওইনা নমা কাযনরবীও, লোনলেম অতিংবদা—ন্না তান্নফম লৈতবদা।

লা ঃ ৯

নমোম লৈবাং মতম মানগুমবীনে—নখোযনা পোকচবী নচামুপীগুম্বনি, চাদ নো৲দা নিজবা—চানবা লৈতন্থনা নিন্থনা চাজবা মুমিং, থকতা নো৲দা নিথকপদো—থকচবা ফংদবা মুমিত্তা নিন্থনা

থকচববু, লয়াকায় চাকনা চাউ—লৈবোক লৈবাইদগী নিজন্নুনা চাবা চান্না চাউজরবপা, লৈকাই চাকনা শাংনা—লৈকাই মীযামদগী নিহ্নুনা চাজবা চাকনা ন্না‌ংলক শাংলকপা, চিনলেঙ নত্তববু পঙনা যাথং অথা কাকংনো—ঙাঙলোইদৌবা হাযরোইদবা ন্নাঙাওনা, লযকাই মপানশাংশিংনা—লৈকাইদা লৈবা মীযান্না, খুপুন মতাই পীমননাবসে—চথোম চথাম লৌহ্নুনা চামিন্নসি, থাংঙা হেপলকপবা—খুঙ্গ‌ংসিদা কোযাথাক্লকপবা, লৈকাই পোইবকপবা—লৈবাইসিদা কোযাথোক্লকপবা, মানবী পীমাঙশন—মপী মাঙখ্রবা শননাউ, যাংলৈ বকত্তাও হুইংমনা—অঙাওবা ওইগুন্না, উনবী থন্নুং থীংনা মীকপনবোএ—থমোয শোক্না কপ্পখি, লকত্তবাই নোংবু শাংনা—মতম শাংমা খিববস্থ উনবা যংলবোই, মোইবাং মীথৌ অচৌববু—মোইবাং লমগী মীশিংগী থৌদা অচৌবশিং অদুবু।

লা ১০

বোকতা থোংনা থৌনাবা—ত্তৌদবা যাদবা ওইবনা, ইশানৌ লৈবাং অতোনবাবু লুমনাও—ইনাউন্নুপী অতোনবী অসিবু নতালোয অতোম্বী ওইনাবা, চানদা মীবাযববন্নুং খঙদে—মীযোক মীচান অমদি চাযোক নাউযোকপদা থওইবিদবস্থ যাই, পোইবৈ মীথৌ অঙম্বা অসিনা—লৈবাক্কী থৌ অচৌবা ত্তৌকবা অসিনা, পনথৌ নকুমপানবীবু—ইপাগী নকম থুপ্না লৈজবদগীবু, মানবী লীসাং থানা পানজববু—শন থৌবী অশাংবনা পুনবদা শাংনা কোযনা চত্নুনা চাজবংম, লোনলেম থিমঙাকমননাগে—কনা যাওদবনা যুমশঙ যুমঙাক ঙমদে, লমলান মীচাপোকপু লোকববদি—লম্লানবা মীচাবোক অমা লোকুববস্থ, লহান ঐগী শক্লক লৌতম হুনবদা—লহানমুক্কী মপোক্কা ঐগী শক্লক যাওনা তম্লববদা, মাই লোকনদনা—মাই ঙাম্মাই হাযবা ত্তৌদনা।

লা ঃ ১১

মাবম পনদোল লোমনা মাহমনাব—অখাকপা লৈতনা মাবী বাতাই শানরে ঙাঙনবে, মুৎবাল মখিমনাকতা যাংগোইনাব—লুবাং খুমদা লৈববে, থৌজাল ভাইহেন নাইদনা—অচান অরাই নাইদনা, শেনবী লোইথোবস্তু, কুমগী মতম যৎজিললকলবগী—কবোদা লোই থৌবা চৎপগী চহীগী থৌদা লালুপ মতম ওইববনে, খেরুক—খে তৈবা লূক, খেপানথোং নানতৈবা—মপানথৎবদস্তু খে তৈত্তুনা যাম্না নাল্লবা, ঙৎকোয় হেননৌবা—ঙক্তা শিনবা পোহাল ফজবা, হাযজা অওই থিনা লৈরবকে—অটনপোৎ ওইববা যাগদবা ৎইবত্তু খিত্তুনা লৈববকে, লৎবুললোই—লৎ মপুল পীবক্কদবা গোই, হযঙান লোই—হযঙান খোইপাক শাবা পীবক্কদবা, মৎগে হযচিন—মঙ্গে হযঙান আশেম্বা ওইনা পীবক্কদবা, মোবংোক লোইবু—মোক্তোক হে ওইনা পীবক্কদবা।

লা ১২

য়াথৎ অকাযবা অমবু হুনফদে—অকায়বা ফৎলোইদবা বাতা ঙাঙত্নুনা মবু হুনযদে, চান্দা মীরাযমনএ মনিঙএ—নুৎশিনা চাম্না তৌবিদে যাম্না নোবায়বিবে হাযনা মথল্লি, লোয়বং শীৎখোঙ যেৎনা থমগে মতা শৃনপোই হল্লোই—মুনিৎ চুপ্পা খুরৌ থা তুনা থমগে, লৈকাই মাবু পোইথোকতে—লৈকাই মমান্নবা কনাগীদস্তু চাথোক্তে। লোইমোম কুবোল হুরো হাযববদা—ফৌ শুকরো হাযববদা, তবাং হৌগৎলদনা—ইযিং যিৎনা হৌগচ্চৎগা।

লা ° ১৩

য়াংগোইজরবদা—লৈমিন্নজববদা, কুমবা অনৌবনস্থং শমু ওই-ওইনরকলে—অনৌবা চহী ওইরক্কদবা মতমদ্বু ৎইরক্লে, তমলৈ মপাল

ঙৌনা শা—তমদা শাৎনবিবা লৈবাং নিঙথিবশিংনা লৈবাং মপাল ইঙৌ ঙৌনা নিঙথিনা শাৎলকপা, চকমোম লাংসনা অঙৌবনা পনথোকলবগী—চাককুম্না ইঙৌ ঙৌববা উম্না তাবকপদগী, পামেল উবাই কলববু—উপাল ম্নাপাল পুম্বগী মনাশিংনা কল্লম্নবত্নু, লৌবুক লৈদি তোনলোংবা—লৌবুক লম্কাংদা শাৎপা মতোল লোঙবা লেশিংনা, লৈবী থোনবা পাল—শাবল মথক্তা হোবা লৈবী মপাম্বাগী মপাল, লৈশোক খোনথমপাল—খাবম লেশাক্তা মপাল, পানগোং নাউত্নপাল —পাঙ্গাং উগী মনৌবা নিংঙথিববা মপাল, মেনলৈ সেবৈপাল লোকলৈ শনচি—মেলৈ অমদি উবৈশংগী মপাল নিঙখিবশিং, কোমপেক সাইচিল নোললকলে—কোম্পেৎকনা নানৌ হৌগৎলকপনা শাহজিল যৌনা বাংনা হংগৎলকলে, কুবাউ বৈযা শাবনা—কুবাউগী মপাল শাগৎলকপদা পানবা বৈবেলগী মযাঙম তুম্না তুম্না ইনখৎলকপা, তোবে লমশাং ঙাননা—তুবেলগী তুথেক খুদিংদা উপানশিং অমদি উরিবৈশিংগী লৈবাংনা যুগাযনা শাৎলকপা।

না ১৪

কুমচনসে—কুম খুদিং তৌনলকপা হবাউ কুম্মৈ তৌবসে, খুনকং লযকাই শেনদনা—খন খুদিং লৈকাই খুদিং চিথদনা, অহল হাওসি ঙমগা চিংনা—অহল ওইবনা লমজিংবিদুনা, তোকমু মৈশানকে—যোৎপাক পা'যত্তনা নাপী শিঙবা ফাল্লগা লম শেংলগে, মানদোপ চাউরবাই খন্দনা—যাম্না পাক চাউনা মাগুব খন্দুনা, ইচা ইমৌঙাই নঙখোয পুমনামাবু—ইচা ইমৌ ঙাই ওইবা পুন্নমকপু, পুনশি চেঙ-জেননদি তুংগী নিঙচৎনদি মশাংথোকখিএ—হৌখ্রবা পুনশিনদি মতম অস্নম অস্নম শাংখিবনা, মাঙগী লংহুমনদি মতেনচিললকএ—হিংগদবা পুনশিগী মতম্নদি অস্নুম অস্নুম তেনশিল্লক্রে, নোংদম পিখোমলেনব্র হেনফদবগী—নোংদম্বা মানা তম্নকপা লাইবক্কী নোংদম্বু খেৎফদবনা,

থৌহ্নু কেঙনমনগুম মখেং মতাচিললকএ—থাঙ যেঙনবিবা নুংনা নোংম নোংমগী অসুম অসুম মখেং তাশিল্লকপগুম, থাঙলেন শুনমনগুম খাথৌ মরৎচিনখিএ—নিত্তিগী শীজিন্নবা থাঙনা মথৌ মখেং তাহ্নুনা মথৌ হনবগুম।

লা : ১৫

ইখোঙখাঙ পুগবস্নুং লোইবী চীংগুম কাগুমলে—ইখোঙ অসিনা থাংহ্নুনা চৎকদবস্নু অঙম্বা চীংজাউদা কাবগুম্না লুম্নকলে, শমকক শোনগী চুনবী যাচুবোলগী নিঙখিবী—কল্লিবা শমগা শক্কা চুনা চানববী, ন্নাযথৌ থমচেৎ পানগম্বী—বাযাথৌ পাত্তা হোৌবা থমাচৎনা কুংনা পানবগুম্না যান্নবী, মপাল তোংকাপ চেনবা ফিবু—ফিবান্দা তোংকাপ মম্নেক থোক্লা শাবা ফিবু, শাংদিং ফিহৌখৎলবাগে—ফি শাবা হৌগৎনরকলে, যান্না শিনপু ফবব্নু—যজনা অমস্নুং থুনা শাবা ঙম্ববু, ইমা নকমপানগীনে—ইমাগী নকম থুপা।

লা : ১৬

যান্না শিনগুনৈএ—শূক নোমলু হায়বমথৈ শূজৈ নোমজৈ, তযম মীনাই পানগুমনা—কনাগুম্বগী যুমদা মীনাই অমনা লৈবগুম্না লৈবগা শূ নোম্বগুম্না, যান্না ইবননাইবু—ইবন্নাইগী ওইবা শেল থুম, ইতারক্তা হেননগে—ইমান্নবী ইতাশিংগী মবক্তা লেন্নজগে, থাংঙা লৈকাইদা ন্নাচিনাগে—খুঙ্গং লৈকঙদা চথোকপদা বাবী তৌজগে, ম্নুংশি খোযবু কাযনা—মপূক্নিং ম্নুংশিনা থমোয কাযনা, লিবেন তংখায় পোপকুম—অকংবা লিন্নেন তংখাযনা ঈশিংদা তীংলগা পোপথোকপগুম, পলেম পোকভবীনা লানবোনবা—মমা পোক্তবীনা লাঙ্গোনবা, চানিঙ পুকথন খঙহন্দা—চানিঙবা কথা চাবা ফংজদবা, শেৎনিং অপাম থুংহনদনা—অপাম্বা খন্দুনা শেৎনিঙ ইননিংবা ফি মথল কন্নাবু শেৎচ-ইঙবা ফংজদবা, মানবী পোৎপা শনগুম্বু—

জুরা শাবা পাবোৎ যণংম।

লা ° ১৭

শাপায লেংকানন্দতানা—খুৎশম্মনা লেঙ্গোম্মনা লাক্নুনা, পালেম পিমাচাগুম্বী—ইমা অনত্তনা পোক্লক্লবী হেক পোকনিন্নজবীগুম, তরাং কৌগুমএ—হবাউ হরাউ তরাম তবাম্মা কৌজরকখি, কোকপান থোংবু ঈকাবা লুপানাথাংবু ঈতনলবরা—কোক্তা অশাবা কাহ্নুনা শাগৎ ঙানথৎনবু নাহ্নুনা লৈববনা, যাথং মরৈ তৌনদনা—নিংঙাই চক্রি তৌনা যেৎনবদগী, থাংঙা কদাই হেপলুদে—খুঙ্গং অমা লাম্নন্থু চৎলুদে, হাওসি নত্তবু নিঙবরা—হাওসি হাযবী নঙ ঙসি মতোইনবা।

লা ঃ ১৮

লৈবায চাংজৌ কুমদনা চেঙহী মাবু লুহনদে—তুবল মপান্দা কুমহ্নুনা ইকোব অসি চেঙহী খুযা অমযাঙবা লুহন্দে, নিংঙোল পানবু নংতাব—নিংঙোল ওইনা লৈজবাগী মওংহু নত্তবে, তযম নাইবৈথিবু—অবৈবা মীনাইদগী হেন্না তোন্না লৈনা, শমলাং ফাবল শাবা অসিবু—ইযোক্কী শম্মা ইপূন পূম্মা থোইবাক শাহ্নুনা লৈবসিবু, মমা নাউনমবীদা—মমা অতোনবী ওইবী অঙাংদা থওইদবীদা, চিনকোয যামনা পনংনো—ম্না যাম্না ঙাঙলকনু, চাইজি ইফম চেম্না লৈকৌএ—মিৎলু মিংফদা পিনা তবং হোনা চোৎনা লৈজহৌই, নামবা তেমচিল লোন—অনানবা তেম্না লংলকতা লোনশিল হুজিল্লহুনা, তেমলাং খুংফু তোযতা—তেম্না তোযনা তোযনা লোল্লগা কম্না থেংলহুনা, শাংদিং কিতোল লোমনা—কি শাবা লোইবহুনা, তুমিং চৈজেন্দা থাবা লাননংদবদা—ফত্তবা ক্লুমিং ওইদবা থাবান ফত্তবা ওইত্রবা তুমিত্তা, য়িমনাক চাদা য়াম—চাদা নাউদা চাপোক নাউপোক ফগদববু য়াম্নবা।

লা : ১৯

তাউবা কঙলি চিং—ছইদা ছইগং থা ববু চিংলহ্না, থিংলৌ কোনচাইকগে—তাশাং লেংদা থোংলগা কেযাম তাবা উমং থুগাযহ্না ওক যানবা শাদাম্লগে হাযদা, যাখেবী শাযাম তুবে—শা যান্না ফাবে, শাশম পুনা থিংলৌ পিঙনা তেনা—লানা মনা পাম্লগা শজম নাহ্না, চহল ওইবা লোনথিম মবানযাইদা—খুংগী চহল ওইবশিংগী মযুমদা, নুপী নিপা অহল নহা খাবযবোই—নুপী নিপা নহা অহল পুমনমক চিংখদনা।

লা ° ২০

শনথো অনি পোনাদে—শম অমগা শম অমগা নপ্পদনা মচা প্রোপ প্রোপ লাহা, পুকনি যেনা মুহ্নবী—পুনি অসিবু পুনওম লম্খংলবী, তবা কৌজরমএ—হবাউ তম্নামনা বোজরবই, চেরে থাদা কোননা—থিহুবু মথাদা কোম্লগা কপচরকখি, ইন্দুসিবু ভাবিও—ইপুকনি হুংশিবগী রাবোনসিবু তাবিযু চফু চেঙলৈ খুদিদা—চাবথোং চফু যাইবগী অবৈ খুদিদা খুহুমনা ওবা, ইবাল কানম খুদিদা শমলা তবৈ চিংববু—থ্রেনশা থোবগী ইরান্না খরদদা কাখিবগী মনম তাবদা, তোযযামলবানে—মশীং যাম্লবানে, চিনাল্ঙ অমত্তবু খুমফদে—রাহৈ পাউখ্ম অমত্তফাওবা খুম্বা য়াদে, উনবা থোম্নখে নীকএ—পুন্নিদা থুক থুক লাউনা নিংদোল চোংলে, মুরা শবা তোর্বাশা—কেনা মোনা লৈজবা ইবেম্মশিং।

লা : ২১

নমা নপা মপাল পালএ—মাখোযগী মপাল মচুম চাহ্না লৈবনি, মাবদি থানগনো—মশীং থাবদা য়াওকবগন্থ, লবাই লোথোংতাউ লোরেনবদগী—লম অথাম্নদা লৈবা লরাই ছাউথাং কৌবা লমদগী, লোইমোম ফৌগং লাংলুও—অকংবা ফৌ লোকচো, কোয়ৌ থোংছম

খোং রাংপল লাউতুম লাউনা— অবাংবা কোবৌথক্তা অমংবা নোংনা খালপা খোংবা তৌদ্না, নোংলেন চাইজি মখোঙ ফুইনা চুরবদি— নোংখোঙ কুযবগা (কুংবগা) লোযন্না নোং তাবক্লবদি, কাযবৈ যেনদামাঙ অঙনবদা— য়েন খোংত্রিক্তৈ অঙনবা মতমদা।

লা ° ২২

তাউথোং লমদম থাপত্র— তাউথোংগী লমতুদি যাম্না থাপই, ন্ত্বা খাংচেৎ মচি নাইনা— মখাংদা খাংজেৎ শেৎচিল্লগা, চযশূপ লোইনাবে— চযশূ তমগা পাম্বজবতুনা, থাবল চযবোযননা— থাবল যবা মবক অতুদা পাযমা নিংশা থাহোননা— নিংশা থবেৎ থবেৎ তোল্লতুনা, পিাবম চাইজি মাযথানা— পিনা মমায মনিং পুমচাং চাংনা, খোইযন য়েমলোই কোবরু শোঙকিদা— লাইমাম মবক্তা চৎপস্থ বিবা লৈতনা, শিংউৎ চোমজাঙ শূ নবাক যেন্দং হাইবরু শোঙনাঙদনা— শিঙটংনা নাবান্দুনা লেবনা থাঙনা হাইদত্রিমখৈ চৎঙনদবা মফমদা চৎপব্র মত্তু চু না কিকবা লৈতনা, ইযু অনামাও— ইপু হাবল অনিমক।

লা ° ২৩

কোবৌ চুপ্পা মমাঙ্গাল— মুমিং তাসিমা কোমথ্রগমি, যাংদৌ নাগে ইযুংথায— ইপু ইবেল অনিমক তনা হঙ্গথিগে, চেঙপোং লুবাই শেমবীও— পুনবা কোকথোং শেম্বিও, থায়না কাদোনোংদা নঙনা লোইনাম ফৌগং লাংবনো— হৌখিবা মমাঙতৈঙেদগী নঙদি অমুক্তন নাকাক্তা লুথোং পুবক্লিবোই, খংাং পোলহাইনববগী— খংাং কোম্লক্লবগী হৈপনিঙ লমশং তোংনা— চৎনিংবা মফমদা চত্তুনা ননঙি তম্না লৈজববপীন, চৈবৈ অযিনতাম মানলৌ অশেৎ বাংলবী— শেংন ইম্নবা ফি হাংলবী। ফাগি ঙংশিননা পাললবীও— শেগাযববা ফদি ফিগুম্বনা নঙক্তা যাল্লবীও।

লা ঃ ২৪

খরায় লাইপন থোংদা—খরায় খোঙগালদা, নাবা তুংশান থেংনা — অঙাংহুনা চৎখিববু তুংদা থেংহৌরগা, শরোয় অপোইবা—শরোয় ঙায়োয় ওইহুনা খোইয়ম শিদবা নাক্তা চঙঙমত্রবা লাই ফত্তবশিং কোয়পাই পাইহুনা লৈববা, চীংঙু যোমালাই হৌবা —লাই ময়াম তিন্দুনা লৈরবা, অসিদি নমু মীশা চাগনে—ঙসিদি তাইবং মীগী মীশা চাগে হায়হুনা, তম্নম মনাই ফংজবৎমনা— মীনাই অমা ফংজববগুম্না, য়াংলৌ লমদাং শীংলকপদা—লম্বী লমশা, ইম্না অম্নুম লাকপদা, নাবা মশা চাগে—অঙাংগী মশা চাগে তেনবী কাব্যা চিয়ানবনা—ববাব থাঙগম থৌনা ময়া চপাবনা পানবা তেন্না, শক মথৈ ফংনা—অথোংপা হকচাংদগী ফাওবকপনা শধ যৌবফাওবা ফংনা কাপশিল্লকপা, তেনবাল অনা খাঙঙমদবা —তেনগী চৈনা খাঙবা ঙমদবা।

লা ঃ ২৫

উনবি থক্সুং থীংনা—থমোয় কায়না, খোয়মা লাংখোংখাদা— নাপী অশোঙবা হৌবা মরক্তা, পুংতোনথকতা — অতোঙবা লৈপুঙ মথক্তা। পাকোন খুরোংগনো—লাং মনা অমদি হাউনাগী মনানা নখোঙদা খুয়ৌ থাংদবা ওইসনু, শনথি খুনানতনা—শম্বিদা নাম্বুদবা ওইহুনা, য়াংলৌ লমখাঙমাদা—লমথুংফম য়ৌত্রিঙৈ লমখাঙদা, পানবা লমকম্বা—নারক্তা লোত্তুনা লৈবা কৈ, ননাই য়াইথীবীনে—ননাই লাইবক থীবীনি, মিপাই কোকয়িকা—কোকচাউবী ফুং লাউনা কাক্লুনা লরাইদা মিচ্ছল কাখিবা, হাইহৎ লযফাই তুখিববু— লৈমায়দা হাইহক্লুনা ব্রাম্বহুনা তাখিববু।

লা ঃ ২৬

খোযমা লাংখোঙখাদা—অশোঙবা নাপী মরক্তা, উনবী লয়নিঙ

শিংলকপে -জ্ঞান তারকপে, চিককা চিবয়ে—মৈ চিক মীরাওখোল অমত্তা তাল্লবহুগী মংক্তা, অামম্বা হুইশ্লোল খোংজময়ে—তামনা কৌবী টুংক্তা তাম্মা তাম্মা খোংজম্মী, ইন্নুম্মোহুং জালনকুলে — অহিংগী মক্কম লোইখিহ্ননা নোংম্ম শাল্লকাল, ক্বায়রৈ য়েনদামাচ্চ অঙনবদা— যেনাখোং অহানবা খোংথিজৈ, খুনদিনবী লম্মনামুংদা—খুনদিনবী কৌবা লাইশিংগী তিম্নফম ওইহনা কিনবা মফম, তবাং থাবিবগা —তবাম তবাম্মা লুখোং পোং অাছ থাবিবগা।

লা ২৭

শাংগায় লেংক্কোন্নহনা—খুংকা খুংকা অংদি হকচাংগা হকচাংগা কোম্মহ্না, তঙ্গা চাপুক লাংগদনে—চাক লাম্লকগনি, খুংপুন মতাই শীমননাসে—চান্নিন থকচিল্ললে, লোইমোম কুরাল হুও—ফৌ শুক্ররো, যাংকোক খপচোই লৌরবদা—য়াংকোকথক্তা চেঙ্গ হাপ্লগা থৈরবা তুংদা অম্লুক শুহনা চোইবনচিংবা লোইরবদা, শংলৌ য়েনশাক থঙ্গদবরা—থোংনবা যেংশাং মনা মশিংবু মশাক শঙ্গদবরা, নোইম্ম খুনথাক হাঙগ্র—খুন থশ্লদরো, লেম্নলৈ শাথাক তাম্নগ্র—ঙ্গা থাক্রদবা, লংলৌ চমনা ফুংও—চামফুং ওইনা ফুংলা, য়েন্নখুমাঙ—চাবা যাবা অশংঅনানগী য়েনশাং মথল অমা।

লা ২৮

খেনলাং চমনা লিরবগা—য়েক্লাং চমফুং ওইনা থোংলবদা, হাওসি মঙস্ক মংচবা—হাওসি নঙনা ঐবু উশিঙ্গবব্া, কল্লক-থোকফৈনেএ—কল্লক কঙ্গা ওননা লৌয়ে, লাংলেন মতাং খাবৈনা—রাচেং কুরিকনা শানা খাবৈনা, চয়পীরে—কম্ম ফুবে, তিনথোক য়াংদো শোংশমনা—ভিক্তে্রাকনা মত্তী মথক্কা ক্লং ক্লং চোংবগুম, ইমু কাফেননা —ঔ শরো-ওরো চেক্কনা, কৌবা য়েনলাই চাইগুমনা—নৌখ্রবা য়েনশাং

মনামশাংগী মতোল অ নীবনা ক্লংশাদা চাইবংম, লয়ভাঙ থরো খোকক্লমনা—লয়ভাঙ পাংকী খবোবু মকু খোক্লম, য়্যামচং মক্কেং-লোয়শিংনা—থরাম তানা তিন্নজবী মতারোয়শিংনা, রাযবা শাওইঙম—শা লান্দা তৌবংম অশাউবনা লুত্তোন যৌবমথৈ, ফানিক শিঙ-তোংফিবু—শিঙনহুনা শাবা ফনক ফি।

লা ২৯

ফকলোং চবাইথকতা—ফকলোং মথক্তা, যাইবী ইনিনমক্তি তেমদবি—থবাযনা হকচাংদগী চোংথোকখিবমদ্রিবনা শিবমক্তি শিবমর্ত্রি, নিংশা শংহালননা—ক্লংশা শোব থিংলুবহু চনিঙ থরদং তানা হোল্লক্লহুনা, মতা চান্ন থুংপায অচেংপী—খোইদোক হেন্দোক্লা পূক্লিং তিন্ননা চান্নববী মতাশিং, পালেমপিবু শকনা—অপোকপী ইমাগী মচুং শিন্না, তাঙজা ইবৈতোনবু থংচফদে—লৈতোন থংপা ঙমদাব, চিনবাল মোইকাইমাবু লেঙজফদ—চিনবাল অসি লেঙবা ঙমজদবে, শিঙলূপ লৈকাই খুনগঙ হানবিয়ো—খুঙ্গং লৈকাই অমদি শিঙলূপশিংদা তাকপিক, যৈফাংলে পান্নমা নিংশা ফাওব—থুগাযহুনা ক্লংশা শোব হোনবা যাওবদা ফুং ফুং ফাওব, থুমনঙাই লৈতবে—পাউথুমনিঙাই বাবোল লৈজদাব, মঙক কঙ থাংও—মঙক্তা হুইগং থাংউ।

লা ৩০

মিংশং খাঙও—অহিং তুমদনা মী শঙহুনা লৈরো, খুপুন মতাইমবু হুকমননসে—চাক যেনশাংশিংশিবু চখোম চখোম চামিন্নসি, চাবোক কাদং শীন—নচা নশু পোক্লনা, নাউদা খোংফাং লেংনা—চাদা নাউদ মথং মথং কাযদনা, কৌবা লৌহে চূমগুমববু—লী পান্বীগী মহৈ হযরী চবোং পানবগুম, যাহিপ অতূম নাইদা—যাহিপ যাতাকম মফং খঙদনা, থৌহু নুংমান অমেঙবা মালেম চীংলৈবাকপু—চীংগী লৈবাব

অমেনবা চাবদা ওইনম্বা চেনবাকপু , উদ কোশা, কুইখিব—উনখিদবা মতম কুইবক্রে , পনখৌ লাইজা ইছুনবা- ইপানা ছুনবিরম্বা চাবা , ইপাবু পুমুং লেপখণ্ডদা—পক্ষৌ ইপাগী চেংশৌ মশক উদবা , খুযা তুমজক সৌগমবী—খুযাদা যুবা তুম্না শৌ ওইগম্বী , ইংখোল হাবা ওইছনা ইরী শীগে—ইংখোলগী য়েনশা, নাপী ফনবা চাইবা হাবনা ঈশিং চাইবদা তুমখিবগম তুমখিনবা , ইনলেন শিফা উপকুমববু—অপাবা ঈলনা কুপ্পদা কুপ্পী খণ্ডবগুম , খাণ্ডবা ইনমখাণ্ডনা—ধাম্বিবা মায়থা ফি অসিনা , ছুইচাবিক ছুইনিংনা,— হাবী নোংনাং ।

লা ৫১

হাউশি খুদাপ মল্লাইবী হাউান লানা কেমলাইবী—অঙাং ওইবিবৈঙদা তিংখৌনা শাবা শাম্নবা খুদাপ লোইরগা ছাদাক্লবা অতুগম , শিরা লৈথুদা অশি লৈথাইদবীন—শিফম নাফম খণ্ডনা শিববী , কোলোয় তোকাল—বা ভাঙবা তোকখরে , তিনবাল থমলে—মাঙৌ মযা কংখিত্বনা মতিপ খোকখিদব , নপাবী শোংক্লনা—নচানিপা কৌবদা পোল্লগন্নু , নমোম যুইগনো—নমোম চইবী নচান্নপী কৌবীস্নু পোল্লগন্নু , থাঙা হেপখিত্রা—খুঙ্গংদা লৈকাইদা চথোকখিববা , পোনবী ঐগী তেনাই পোইজববু—এগী তেনবা কৌবী উচেক অমা লোইজববু , খুনকচাপু তাবা—খুঙ্গং অমত্তদা লৈমিম্নবা , হংনঙমবদা—হুংনবম্বদা , মবম মখায পূমনাবু—বাবম মচা তাবা পূম্নমক অতুবু ।

লা ৩২

হোইথিকবদি—ঙবু লেকবদি , ভল্লোৎ চাবৈবা—লং লংবা চা তৈববা তবোৎ , শিংচ্ছম হংনাইবা—তবোৎ মথুত্তা ওৎনবা থুগতোক থুগচিল যাবা শিঙত্বম , শামন পোনাচং হাললকপা—অও, অউন ওইনপোৎপু হাপ্লকপা (য়োম্নকপা) , কৈবা ইতানপক্কা—ইপাগী

তমপাক্তা, হৌখিববনো – চৎখ্রবানা, য়াংলৈ কবঙাউ হুইগুমলকএ – লম্বীদা কোযচৎ ৎেলবা অঙাওবা হুইৎমলে, থরো কাংদম ওলাল – কাঙক্রম্মা থরো থাবা ওনবৎম ওলাল।

লা ° ৩৩

যিমচিল সাইচুল মনূংদাগী – যুমগী শাইজিল মমু,দগী, থাবী মানলৈথকতা – যুমগী দাবী মথক্তা, সেনবী লোইথোবা কবো লোইচনববু লাকএ – সেনবী কবোগী মোইরাং নিংথৌগী লোইপোৎ খৌকববু হল্লক্লে, চাইজি ইচেনথনা পাউকৌজববু—অতৎপা লৈতনা মিত্তগী ঈবা চেম্থবহুনা, মু,ঙাই পনদোল লোমদনা – মু,ঙাইজবগী ভমখৈ ফংজদনা, পীক্লা লা,ওল ওইখিববীদা – অপিকপা জীব অমা ওইনা শাইওনখ্রবী, লাইজা রা,মদা লানখিববনিগীনা – তাইব, ঈপাক অসিগী রা,মদা চৎখ্রবী, নমু পো,লেন থোক্তরে – মীওইবগী রাহৈ বাঙাঙ ঙাঙবা থোকখিদবে, নমু মীবোল শম্নদববদা – মীনা ঙাঙবা মানা খঙদা মানা ঙাঙবসু মীনা খঙদবা ওইবহুনা, মুংশি মৈচাক খাইনা রা – মু,শিননা খাইনখিবগী রাবোল, তাইবংপানবু হুললানবা – তাইব,পানবু থাদোক্লম্বগী বাবাল, পূ মাযানবু নমমুকবা – লৈবাক অসিবু থাদোক্লম্বগী বাবাল।

লা, ৩৪

হাওমন খোমসি লৈৎম – পাম অমনবদা হৌবা শিকম নাকম্মনা হৌজবক্লবা যেম্নৌশি,গী মতোলনা নৌনা ক,শিল্লকপৎম, মুমিৎ চযেনবা – চারী নাউদা মক হুনরিবা মুমিৎ, থবা লাম্ন,বা করম্বদা থোক্লবা – থাবান ফত্তবা থোকউবনরা, লরাই ফোকং লা,নৈএ – অথাপ্পা লরাই লম তাম্না চৎলগা ফৌ অক,বা লৌহল্লি, ইমু থকতা ওননা – ই মথক্তা ওদুনা।

লা ৩৫

হৌজ মপৈ য়ামচিললকএ — হৌজ থেংথাং মশাং য়ামখরে, ফানিক শিংতোং ফি — শীংনহুনা শাবা ফনেক, খাঙবা ইনমথাঙ অসিনা ইশা ওইনবে — মাযথা ওইনবা ফি অসিনা ইশাঙ্গী শাগল ওইনজরে, অমন খোঙরাই কূমনা — পুনশিগী চেঙজেল লোইহনা শিবা হৌনবা নত্তহনা, চান্দা মীবায খঙহনবী — অচান মীবায নাইবগী লমচৎ শাজৎপু, যাওবৌ তুপান শাংগ্মী — মতু পানবা শাংগ্মী, কেগে মীরা অরুম্বা — কেগে লমগী মীযামগী থৌদা অহকপা, মোইবাং মীথৌ অচৌবাবু — মোইবাং লমগী মীশিংগী মথৌ অচৌবা থৌদাবু, হযরাঙ শুংদাইমা — হৈ মপুম অমা লৈবদা খাইনহনা মচেৎ মচেৎ চামিন্নজবী, লিলাংম মযাঙ্গ শিংনা — লিন্না মকু হুবগা অমুক নোংথাকচবংম, যোন্দনা তাংফংজবোবো — শোযদনা ফংনবিহৌবো, নোংঙান চীংখৈ যাকৈননা — নোংঙাল্লকপগী চিংখৈ হুনবা মতমবু খঙননবা, শংগাই কোনলোই নুংলানচানদা — নিঙথিবা শঙ্গাই ন্নংঙাইবদা।

লা ৩৬

নোংদম নোংখাইরুবগ — খোংহুনা মতম লেপ্পরুবগ, পাবং লমদাং ইজবকপা — ব্রাবী পবিং ওইববু ইজবকপা, আদিবস মশক লৌনা — অহানবদা ওইখিবা ব্রায়ীতুগী মওংহুতা ইজবা, পোংপাউ ব্রাবী লমদাংবু — মীয়োল মথং মথং ব্রায়ীনরকথিবহুবু, ইমায় নোংনেম লাযনা — ইমায অসিনা অরাংবা কোবৌ নোংমদান্দা ওনখৎচবগা, খোয়নৌ মতারুপ তরুকমকমানা — খোঙজাম নুবী মতা তরুক অহুনা, লৌসিকাম চন্নু মতাবোয়্বনা যাংলৌ লমথাঙমদা মমোমবু ফুম্বনরবগী ব্রাবী — লোশিকাম চন্নু ওইবী মতা ৬ কী মনূংদগী অমা ওইবীদা লমখাংদা মচাক্লপী হাওসি নামোইন্নু কৌবীবু পোকখিবগী ব্রাবী।

লোযরবা

